Total number of printed pages – 8

87 RM 16 Man (

# 2014

# MANIPURI

*Full Marks – 80*

*Pass Marks – 20*

*Time : Three hours*

*ৱাহংচে অসি ‘ক’ ‘খ’ ‘গ’ ‘ঘ’ হায়না কাঙলুপ মরি থোক্লা খায়দোকই।*

*ৱাহং খূদিংগী মার্ক ৱাহংগী মপাদা য়েংথংবা লাপান্দা পীরি।*

*নশাগী ৱাহৈ–ৱাতা শীজিন্নদুনা পাউখুম পীয়ু।*

## কাঙলুপ – ক

## (পাবা)

১। মখাগী ৱারেং মতেক অসি পারগা হংলিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম ইয়ু ঃ

মীওইবা হায়বসি প্রকৃতিগী পোত্থোক্নি। পৃথিবী অসিনা হিংনবগী মচাকশিং পীবিরি। নুমিৎনা মঙাল পীবিরি। উ পাম্বীশিংনা ওক্সিজেন পীরি। ঈশিংনা খৌরাংবা কোকহল্লি অদুগা নুংশিৎনা স্বর হোলহন্দুনা থৱায় পানবা জীবশিংবু হিংহনবিরি। পোৎচাক মঙাদগী থোক্লকপা অমসুং মখোয় মঙানা অহিংবা হায়বদু ওইহল্লিবা মীওইবনা করিগীদমক অদুগুম্বা পোৎচাক মঙা অদুগী অশেংবা মগুনশিং অদু লৈত্রিবনো ? প্রকৃতিদগী থোক্লকপা অমদি মহাক্লা য়োকপিরকপা ওইবনা মীওইবনা প্রকৃতিগী গুণশিং অদু লৈগদবনি অমদি মহাক্লা থম্বিরিবা ফজবা ৱাখল্লোনশিং অদু য়োকখৎকদবনি। উচেকশিং, শাশিং অমসুং উ–ৱাশিংনা প্রকৃতিগী নিয়ম তুং ইল্লি অমদি মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা হিংলি। উ পাম্বীশিংনা হূগী মশক ওইরবা কার্বন–ডাই–ওক্সাইডপু চুপশিল্লি অদুগা পুন্সিবু কনবিরিবা ওক্সিজেন পীথোরকই। শাশিং ফাওবনা

Contd.

Downloaded from www.tpsllong.com

মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌরি অমদি মীওইববু মতেং পাংলি । তৌইগুম্বসুং মীওইবনা মী ওইনা পোক্লগা মীওইবগী মমল অদু করিগী চেন্নবা হোৎনদবনো ?

(ক) প্রকৃতিগা মীওইবগা করি মরী লৈনবগে ? ১

(খ) করম-করম্না পোৎশকশিংনা মীওইববু হিংহনবগে ? ১

(গ) মহৌশাগী ওইবা পুন্সিদা হিংবা কদায়বু কৌবগে ? ১

(ঘ) 'হিংহনবিরিবা' হায়বগা মথক্কী ৱারেং মতেক অসিগী অতোপ্পা করম্না ৱাহৈশিংগা অর্থ মান্নবগে ? ১

(ঙ) উ পাম্বীশিংনা মতৌ করম্না মীওইবগী মতেং পাংবগে ? ২

২। কোরানদা পীরম্বা মুস্লিম অমনা ইনগদবা কাঙলোন অনীদং ইয়ু । ২

৩। অরাম্বাইনা শগোল লান্মীগী য়াম্না মরু ওইবা খূৎলাই অমা ওইরম্লিবগী মরম করিনো ? ২

৪। মুক্তি যুদ্ধ জাদুঘর লিংখৎখিবগী পান্দম ওইবা মরম অনীদু করি-করিনো ? ২

৫। 'সাইন্সকী স্পিরিত' হায়বনা করিবু খঙনবগে ? ১

৬। পিগমিশিং চাংচত্তা কয়া ৱাংবগে ? ১

৭। অঙনবা মতমগী করম্না থৌরমদা মপূং ফানা চাউরক্লবী নুপীশিংনা মপুরোইবা খনবা য়ারম্বগে ? ১



৮। ওক্তোবর থাদা এভরেস্ত কানাপ্রবগা মরম করিনো ? ১

৯। গণতন্ত্র চৎপা লৈবাক্তা করি মরমগীদমক মীওইবগী হকশিং শেম্বগে ? ১

## কাঙলুপ — খ

## (ইবা)

১০। মখাগী হীরমশিং অসিদগী অমতং খল্লগা ৱাহৈদোক ৱারোইশিন যাওনা ৱাহৈ ১৫০-১৬০ রোমগী মনুংদা ৱারেং (এসে) অমা ইয়ু ঃ ৭

(ক) ছাত্র অমসুং লমচৎ-শাজৎ ।

(খ) ঐহাক্লা পাম্জবা মশান্ন অমা ।

১১। (ক) নহাক মোইরাংগী ভাংখ লৈকাইদা লৈবা জ্যোতিরিন্দ্রনি হায়না খল্লু । অম্বালাগী মোডেল টাউনদা লাইহৈরিক তমদুনা লৈরিবী নহাক্কী নচল প্রেমিলাদা হৌজিক্কী মতমগী ফেসনগী ঈরাংদা পুক্নীং চঙদনবা তাকপা চিঠি অমা ইয়ু । (চিঠি অদু পুন্না ৱাহৈ ১৩০ রোমগী মনুংদা ইগদবনি) ৬

*নৎত্রগা*

(খ) নহাক্কী নমিং থরো কৌই হায়না খল্লু । নখোয়গী লৈকাইগী ঈরম-নালাশিং লোইনমক য়াম্না ফত্তবা ফিভমদা লৈরে হায়দুনা ঈরম-নালা ফহন্নবগী সোসিয়েল সার্ভিস অমা নীংথিজনা শীনবিনবা লৈকাইগী য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরীদা চিঠি অমা ইয়ু । (চিঠি অদু পুন্না ৱাহৈ ১৩০ রোমগী মনুংদা ইগদবনি)

১২। মখাগী পাউরৌশিং অসিদগী অমা খল্লগা মনুংগী ভাব শন্দোক্লা তাক্কুনা ইয়ু ঃ ৫

(ক) থৌবান্দোং চফু কায়নবা য়ৈত্রা ?

(খ) চনীং য়েংদুনা চখোঙ তানশিল্লু ।



Downloaded from www.tpsilong.com

১৩। (ক) কৈথেল অচোবাশিংদা অমোৎ-অকায়াশিং মফম চানা পোশিনবা অমাদ হুদোক্তবদগী ওইরকপা নুংঙাইতবা মশকশিং নহাক্না চৎপদা থেংনরকপাশিংদুগী রিপোর্ট অমা 'মীয়াম' পাউ-চেগীদমক ৱাহৈ ১২০ রোমগী মনুংদা ইয়ু । ৫

*নৎত্রগা*

(খ) নহাক নখোয়গী মহাত্মা গান্ধী স্কুলগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় মীহুৎ ওইবা রাহুলনি হায়না খল্লু । নখোয়গী স্কুলদা সিটি রেড ক্রোস সোসাইটিগা খুৎশম্নদুনা ঈ দান তৌবগী কেম্প অমা পাঙথোক্কদৌরি । ঈ দান তৌবগী অফবশিং পন্দুনা নখোয়গী স্কুলগী ছাত্রশিংনা কেম্প অদুদা শরুক য়ানবগীদমক নোটিশ অমা ৱাহৈ ১২০ রোমগী মনুংদা ইয়ু ।

## কাঙলুপ — গ

## (গ্রামার)

১৪। পূক্রীংগী অকিবা ইহুল ফোঙদোকপা নশাগী ৱাহৈপরেং অমা শেমউ । ১

১৫। মখাগী ৱাহৈপরেংদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈ অসিগী এস্পেক্ট করিনো ? ১

তোম্বদি ঙরাং পুং তরুক লাইরিক <u>পাবনি</u> ।

১৬। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈ অসি করম্না মখলগী এডভর্বনো ? ১

ঐখোয়গী প্রসিডেন্টতি ৱা <u>তপ্না</u> ঙাংবনি ।

১৭। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈশিং অসি করম্না মখলগী ফ্রেজনো ? ১

<u>লাই খ্বায়দগী ফজনা য়েকপা</u> অঙাংদু লাক্লিবসিনি ।



১৮। মখাগী ৱাহৈপরেং অসি লোইশোন্না পাও ওবা মওংদা ওন্থোকউ :

হনুবী অদুনা মশূনিপাদা হায়খি, "শঙ্গোম থক্তোক্লব্রা" ?

১৯। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈ অসি অচম্বা লোল খঙনবা ৱাহৈদা ওন্থোকউ : ১

ঐখোয়গী ওজা হয়েং <u>লেঙগনি</u> ।

২০। মখাদা লৈই চিংলিবা অসি করি ডিগ্রীদা লৈবগে ? ১

রাজুদগী সুনিতানা মখূৎ <u>হেন্না নান্না</u> ইবা ঙম্বনি ।

২১। মখাগী ৱাহৈপরেং অসি করম্না প্রজেন্ট টেন্সতা লৈবগে ? ১

অঙাং পুম্নমক অঙ্ক খোৎপা লোইরে ।

২২। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈশিং অসিগী মহুৎ পান্থে অমনা শিল্লু : ১

<u>মতৌ মান্দনা মীগী মাঙনবা তৌবা</u> য়াম্না লৈ ।

২৩। মখাদা লৈই চিংলিবা ৱাহৈ অসি করি কেসতা লৈবগে ? ১

<u>ননাউনিপাদুবু</u> করি নুমিত্তা লাক্কনি হায়বগে ?



Downloaded from www.tpsilong.com

খাওজুপা – খ

## (সাহিত্য)

২৪। য়াওফম অমসুং মরী–মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ

(ক) চীংদগী হেন্না চীংলেম্না ঐখোয়গী অহল্লমন্না

ৱা ঙাঙদনা শকফম হোংদনা

পুক্নীংগী ৱা পুক্নীংগা ফাওনরিবা

অরুবা ৱা অরোনবা ৱা থবক্কী ৱা পৈশাগী ৱা ।

*নৎত্রগা*

(খ) বসন্ত ঐগী থম্মোইদা য়ৈররিবা

ফজবগী মপাউ পুবা তিন্নবগী রাগিণী অসিনা

য়ৈহল্লুনে অমুক্তদি হে পৃথিবী

হাংদোক্তুনা নঙগী খুরবা থম্মোইদো ।

২৫। ‘‘মিৎ থক্লবা লৈতেংগী মেলাদা

ঙসিদি

মাঙখ্রে মী ।’’

— ‘মিৎ থক্লবা’ অমসুং ‘মেলা’ হায়রিবসিগী নুংগী ৱাহন্থোকশিং করি–করিনো ?

২৬। কবি কমলনা মাতৃ তর্পণ কৎনবগীদমক তুরেল মপান্দা লেপ্লিবা করিগীনো ?



২৭। ‘‘কনামতা য়াওদ্রবা অজুনগা

— মসিদা শ্রীবীরেননা নুংদা অর্জুনগী করন্বা মওংবু হায়নীংলিবনো ? ১

২৮। য়াওফম অমসুং মরী–মখোঙ তাক্তুনা শন্দোক্লা ইয়ু ঃ ৫

(ক) কবোকলৈ ভাব তাবা ঙমদে । মথন্তা ঙকচান্নরিবদু ভাব তামাল্লে, নুপী অদুনা মখা তারকই, ‘‘শুমতৌবা তমুশীজা হায়রিবীদো ঐগী ইনাউ নুপীনি । করি ৱাহৌগীনো খঙদে ঙসিদু মতৈ মনাও য়াম্না খৎনখ্রে । পেতিনা কল্লি হায়ব্রা করিনো, হনুথংদা অঙাংমচাদৌনা মখোন থোকপমখৈ কপলিবসিনি ।’’

*নৎত্রগা*

(খ) মনুংগী ৱা অমনা । ইবেমসনাগী মবোক্না ইতামচাগা চান্নবগী মরম অমসু লৈরি । পোৎ শিত্তবা মতমদা হনুবীনা লাইথী তূবদা য়েত্তুম মনা লেংবি, লৈরঙ তৈনবা শন্থি পীরৈ । দর্জিগী দুকানদগী হনুবীগী লাইথী তূনবা ফি মচেৎ খল্লগা পীরৈ । চাউখ্রবা সার্ভিসনি । অদুনা ইতামচাদি লাইথীসু লেম্না লেম্না ফংই ।

২৯। মিশ্রলালনা কালেন থাদা ময়ূমদা খক চৎলু য়াদ্রিবা করিগীনো ? ১

৩০। খুরা তোনুনা খুরুম শাবগী শিনফম পায়রিবা করিগীনো ? ১

৩১। ভূগোলগী মশক্তা ভারতকী তোপ–তোপ্পা তাবা মশকশিং করি–করিনো ? ৪

৩২। নুপী ওইবীশিংদা ফজবগী মপূংফাবা শিক্ষা পীগদবনি হায়বগী মরম করিনি হায়না থোইবী দেবীনা মহাক্কী ৱারেংদা পীরম্বগে ? ৩



Downloaded from www.tpsjilong.com

[illegible] ।

— অসুম্না চাউবনা হায়রল্লিবগী মরম করিনো ? ১

৩৪। ‘‘অসুক তোনবা শাগী জাৎ’’ হায়না সম্রাট অশোক্না কলিঙ্গ লাল লোইবদা হায়রিবা করিগীনো ? ১

৩৫। লাঞ্জাও মমাঙগী বর্লিন অমসুং লাঞ্জাও মতুংগী বর্লিনগী খেন্নবশিংগী মরমদা ইয়ু । ৩

৩৬। টিকেন্দ্রজিৎনা মহাক্কী প্রজাবু লুনা তৌই হায়বসি খেলেন্দ্রদা করম্না উৎখিবগে ? ২

---

Downloaded from www.tpsliong.com